# ৱেষ্ট বেঙ্কতা লমগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ইজরেলি অমসুং পেলিষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলক্লি

বৈতা, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈরিবা পেলিষ্টিনিয়নশিংগী লম ইজরেলশিংনা খোপচিল্লকপা অমদি পেলিষ্টিনিয়নশিংগী মরু মরাং থাফম লৌফমশিং ইজরেলিশিংনা লৌশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অদুগা মরী লৈননা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি।

হৌখিবা মে থাদা ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন উংখৎনবগী থৌদোক্তা ইজরেলি সেক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা পেলিষ্টিনিয়ন ৩৪ শিহনখি। ইজরেলগী দোমেষ্টিক ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ৱেষ্ট বেঙ্কতা হৌখিবা চহী খরা অসিদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক ৬০০ রোম থোকখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা ইজরেলনা ওকুপাইদ তৌবা টেরিটোরি অসিগী অহেনবা বটালিয়ন থাজিনখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওফিস ফোর দি কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফেয়র্স (ও সী ঐচ এ) গী রিপোর্ট মতুং ইন্না জুন থাগী অহানবা চয়োল অনীদা ইজরেলি সেটলরশিংনা লম খোপচিন্নবা হোৎনরকপগী থৌওংদা হান্না মফমদুদা ময়ুম শাদুনা লৈরল্লিবা পেলিষ্টিনিয়নশিংগা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইজরেলি সেটলরশিংনা পেলিষ্টিনিয়নশিংগী গাড়ী, ওলিভ পাম্বী কয়া, ৱার্টর সপ্লাই টেঙ্ককী ঈশিং অমদি পেলিষ্টিনিয়নশিংগী মরল মথুম কয়া মাঙহন তাকহনখি। মসিদা নত্তনা নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা অঙাংশিং য়াওনা পেলিষ্টিনিয়ন ১১ অশোক অপন নংহনখি।

ইজরেলি সেটলরশিংনা ইলিগেল ওইবা মওংদা লম খোপচিন্নবা হোৎনরিবা অদুনা মরম ওইরগা পেলিষ্টিটিনিয়নশিংনা মখোয়গী পেন দবগী খোঙজং কয়া লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। চয়োল অসিগী ওইনসু ইজরেলি ক্রুপশিংনা পেলিষ্টিনিয়ন ৪ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

ইজরেলি সেটলরশিংনা নম হাদুনা লৌশিনখিবা মফম অমা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা মখোয়গী লমনি হায়দুনা অমদি লম অদুবু অমুক পীথোরক্নবা দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অমদা ইজরেলি ক্রুপশিংনা মীওই ৪ অদু কাপ্পুনা হাৎখিবনি।



ইজরেলনা ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুকশিংদা ঙসিসু পেলিষ্টিনিয়ন কয়ানা মখোয়গী লমশিং নম হাদুনা লৌশিল্লিবা অদুগী মায়োক্তা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজংশিং চঙশিনখি। পেলিষ্টিনিয়নশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুগী মতাংদা অচুম অরান থিদনা ইজরেলি ফোর্সশিংনা লোগী ৱাংমদা থবক তৌরিবা ইজরেলি সেটলরশিং অদুগী মীচংদা লেপ্পুনা লৈরি। ইজরেলনা ওকুপাইদ তৌখ্রবা পেলিষ্টিনিয়ন মিল্লিয়ন ২.৮ রোম খুন্দাদুনা লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইলিগেল ওইবা মওংদা ইজরেলি সেটলর ৪,৭৫,০০০ ময়ুম মকৈ শাজিন্দুনা নস্ফুদা লৈশিনবা হৌখ্রে।

ইজরেলি সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি জ্যুশিংনা চথরক্লিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদুবু পেলিষ্টিনিয়নশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী হক মাঙহন্দনবা দিমান্দ তৌখ্রে। পনবা য়াবদি হৌজিক হৌজিক ইজরিলি ফোর্স অমদি হমাজ গ্রুপকী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনদুনা লৈরি।

# দেলটা ভেরিয়েন্টনা চৈথেং পীরকপদগী অমুক হন্না লোকদাউন থমজিনখ্রে

সিদনি, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

সেন্ত্রেল সিদনি অমসুং মসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা মমিং চৎলবা সমুদ্র খোঙবান অমদি মনাক নক্লা খুন্দারিবা খুঙ্গংশিংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা দেলটা ভেরিয়েন্টনা অকনবা চৈথেং অমুক হন্না পীবা হৌরকপদগী ঙসিদগী হৌরগা ওথোরিটিশিংনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা অমুক হন্না লোকদাউন থমজিনখ্রে হায়রি।

চয়োল অনীরোমগী মমাংদা লিমোজিন দ্রাইভর অমনা সিদনি এয়রপোর্টতগী ইন্তরনেস্নেল ফ্লাইট ক্রু মেম্বরশিং লৌরুরগা ক্বারেন্টিন তৌফম হোটেল অমদা থল্লমখি। মদুগী মতুং দ্রাইভর অদু য়াওনা মীওই ৬৫ ঙরাং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনরকখিবনি।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু দেলটা ভেরিয়েন্টনা ইনফেক্ট তৌহনখিবনি হায়বা হেল্থ ওথোরিটিশিংনা খঙহল্লকখ্রবা মতুং সিদনিগী মফম অয়াম্বা লোকদাউন থমজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা পোজিটিভ কেস থেংনখিবা মফমশিং ঙসিদগী হৌরগা লোকদাউন থমজিনখিবনি।



ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা দেলটা ভেরিয়েন্ট অসি হান্না লৈরম্বা কোভিদ-১৯ দগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমদি শন্দোকপগী চাং য়াম্লা ৱাংই। মসিনা মরম ওইরগা সিদনি হেল্থ ওফিসরশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়ননা পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৬৫ অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি মখোয়গা নক্লরম্বা মীওইশিংসু মশক খঙদোক্তুনা আইসোলেট তৌদুনা লৈহন্নবা হোৎনরি।

ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেটকী প্রেমিয়র গ্লাদিস বেরেজিকলিয়ননা ফোঙদোকখিবদা মফম অদুদা চহী অমা হেন্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা অচৌবা চৈথেং পীখ্রে। অদুবু মদুদগী হেন্না কিনিংঙাই ওইরিবদি দেলটা ভেরিয়েন্ট শন্দোকপা হৌরকখিবা অসিনি।

মসিনা মরম ওইরগা সেন্ত্রেল সিদনি অমদি মসিগা থংনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ য়ুমদগী মপান থোক্তনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ত্রোল তৌনবগী পান্দমদা সেন্ত্রেল সিদনি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম খরদা লোকদাউন থমজিনখিবনি হায়রি।

# লোনা য়াদবা মওংদা খূৎ থিংজিল্লকপগী থৌওং য়ু কেনা কন্দেম তৌই

লন্দন, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

ব্লেক সিগী মতাংদা মোস্কোনা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবা অদুবু বৃটেননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইলিগেল ওইবা মওংদা সমুদ্রগী শরুকশিংদা মরম চাদনা খূৎ থিংজিল্লকপশিং বৃটেননা কন্দেম তৌই। অমদি ইন্তরনেস্নেল লোগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা লোনা য়াদবা থবকশিং চথরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা বৃটেননা লেপকনি হায়রি।

বৃটিশ রোয়েল নেভিদি মতম চুপ্পদা ইন্তরনেস্নেল লো ঙাক্তুনা চৎকনি অমদি লোগী মায়োক্তা থবক তৌরকপশিং তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়না বৃটেনগী দিফেন্স মিনিষ্টর বেন ৱেলেসনা ফোঙদোরক্লি। বৃটেননা ব্লেক সিদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোরকই অমদি বৃটিশ রোয়েল নেভিনা ব্লেক সিদা চৎপা মতমদা ৱার্নিং সোটশিং কাপখি হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি। বৃটিশ রোয়েল নেভিদা মোস্কোগী মায়কৈদগী ৱার্নিং সোট অমত্তা কাপলকখিবা লৈতে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বৃটিশ ৱার সিপ ঐচ এম এস দিফেন্দরদা রুসিয়ানা ৱার্নিং সোট কাপলকখিবা লৈতে। অদুমওইনমক রুসিয়ানা চথখিবা লাইফ ফায়র এক্সরসাইজ অমদা মখোয়গী রেঞ্জকী ৱাংমদা নোংমৈশিং কাপথোরকখিবদি লৈ। অদুবু মোস্কোনা অরানবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লিবা অদু ঈকায়নিংঙাইহনি। মোস্কোনা ব্লেক সিদা চথরিবা থবকশিং ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা হেন্না খঙনরবা ঙাক্তনি হায়রি।

# চাইনাগী মার্সিয়েল আর্টস ত্রেনিং সেন্তর অমা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ১৮ শিরে

বৈজিং, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

চাইনাগী মার্সিয়েল আর্টস ত্রেনিং সেন্তর অমা ঙসি খঙহৌদনা অকনবা মওংদা চাক্লকখিবা মৈ অমনা মরম ওইরগা সেন্তর অদুদা লৈবা মীওই ১৮ শিহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবশিং চহী নৌরিবা অঙাং ঙাক্তনি হায়রি।



থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৩ লোম তারকপা মতমদা হেনান প্রোভিন্সতা থোকখিবনি। মৈ অদু মতৌ করম্না চাক্লকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অকনবা মৈ অদুনা মরম ওইরগা মীওই ১৮ শিহনখিবগা লোয়ননা ১৬ না শোকহনখি। শোক্লবা ১৬ অদুগী মনুংদা ৪ দি অরুবা ফীভমদা লৈরি হায়না কাউন্টি গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা সেন্তর অদুগী ইন চার্জ ওইনা লৈরিবা মীওই অমা পুলিসনা ফাজিনখ্রে। পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা মীওই অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি। মৈ চাকপগী থৌদোক্তুদা শিখ্রবা অমদি শোক্লবশিং চহী ৭ তগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা চহী নৌরিবা অঙাং ঙাক্তনি।

সেন্তর অদুগী অনীশুবা ফ্লোরদা অঙাংশিং অদু লৈবনি। চাইনাদা মৈ চাকপগী থৌদোক অসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমনি। ত্রেনিং সেন্তর মৈ চাকখিবগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

# য়ু এস ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোক্ত্রিঙৈদা অফঘান ইন্তরপ্রিটর খরা লৈবাক অদুদগী লৌথোক্কদৌরি

ৱাশিংটন, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

অফঘানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা য়ু এস ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোক্ত্রিঙৈগী মাংওইননা য়ু এস ফোর্সকা থবক তৌমিন্নরম্বা অফঘান ইন্তরপ্রিটর খরা হান্না লৈবাক অদুদগী লৌথোক্লবা শেম শাবা লোইরে হায়না য়ু এসকী সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অফঘানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা য়ু এস ফোর্সশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নরম্বা ইন্তরপ্রিটরশিংগী মথক্তা টালিবান ফোর্সশিংনা অহেনবা থবক থৌওং কয়া চথরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মখোয়শিং অদুবু লৈবাক অদুদগী লৌথোক্লবা শেম শাবা হৌখিবনি। লৈবাক অদুদা টালিবান ফোর্সশিংগী চৈথেং কিবদগী য়ু এসতা লাক্লিংবা মীওইশিংনা মখোয়গী ভিজাশিং এপ্লাই তৌবা হৌখ্রে অমদি য়ু এসকী মায়কৈদগী মখোয়গা থবক তৌমিন্নরম্বা ক্রুপশিং অদুবু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি।

সেনিয়র ওফিসর অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা অথুবা মতমদা ইন্তিরপ্রিটরশিং অদু অফঘানদগী লৌথোক্লগনি হায়রি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা য়ু এসকা থবক তৌমিন্নরম্বা মীওইশিং অমত্তা য়ু এসনা কাওথোকপা তৌদে অমদি মখোয়গীদমক লেপকনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ইন্তরপ্রিটরশিং লৌথোক্লবা ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 180,756,347 | +402,832 | 3,915,926 | +8,215 | 165,405,708 | 11,434,713 |
| 1 | USA | 34,464,956 | +13,365 | 618,685 | +329 | 28,871,914 | 4,974,357 |
| 2 | India | 30,133,417 | +51,248 | 393,338 | +965 | 29,120,340 | 619,739 |
| 3 | Brazil | 18,243,483 | +72,705 | 509,282 | +2,042 | 16,511,701 | 1,222,500 |
| 4 | France | 5,764,329 | +2,007 | 110,906 | +44 | 5,590,167 | 63,256 |
| 5 | Turkey | 5,393,248 | +5,703 | 49,417 | +59 | 5,254,708 | 89,123 |
| 6 | Russia | 5,388,695 | +20,182 | 131,463 | +568 | 4,915,615 | 341,617 |
| 7 | UK | 4,684,572 | +16,703 | 128,048 | +21 | 4,310,259 | 246,265 |
| 8 | Argentina | 4,350,564 | +24,463 | 91,438 | +452 | 3,967,633 | 291,493 |
| 9 | Italy | 4,255,700 | +927 | 127,362 | +28 | 4,066,029 | 62,309 |
| 10 | Colombia | 4,060,013 | +32,997 | 102,636 | +689 | 3,769,887 | 187,490 |
| 11 | Spain | 3,777,539 | +4,507 | 80,766 | +18 | 3,572,254 | 124,519 |
| 12 | Germany | 3,733,077 | +654 | 91,178 | +32 | 3,614,500 | 27,399 |
| 13 | Iran | 3,140,129 | +11,734 | 83,473 | +144 | 2,797,105 | 259,551 |
| 14 | Poland | 2,879,337 | +148 | 74,917 | +24 | 2,651,045 | 153,375 |
| 15 | Mexico | 2,487,747 | +4,963 | 231,847 | +342 | 1,979,823 | 276,077 |
| 16 | Ukraine | 2,231,914 | +937 | 52,181 | +58 | 2,157,732 | 22,001 |
| 17 | Indonesia | 2,053,995 | +20,574 | 55,949 | +355 | 1,826,504 | 171,542 |
| 18 | Peru | 2,040,186 | +3,737 | 191,286 | +213 | N/A | N/A |
| 19 | South Africa | 1,877,143 | +16,078 | 59,406 | +148 | 1,675,827 | 141,910 |
| 20 | Netherlands | 1,681,580 | +700 | 17,735 | +1 | 1,613,650 | 50,195 |
| 21 | Czechia | 1,666,587 | +109 | 30,291 | | 1,634,258 | 2,038 |
| 22 | Chile | 1,531,872 | +3,463 | 31,797 | +51 | 1,468,137 | 31,938 |
| 23 | Canada | 1,411,634 | +707 | 26,191 | +16 | 1,376,094 | 9,349 |
| 24 | Philippines | 1,378,241 | +6,024 | 24,036 | +108 | 1,302,741 | 51,464 |
| 25 | Iraq | 1,311,093 | +6,093 | 16,999 | +31 | 1,217,982 | 76,112 |
| 26 | Sweden | 1,088,896 | | 14,584 | | 1,052,467 | 21,845 |
| 27 | Belgium | 1,081,061 | +1,026 | 25,149 | +5 | 1,021,987 | 33,925 |
| 28 | Romania | 1,080,457 | +68 | 32,904 | +7 | 1,045,303 | 2,250 |
| 29 | Pakistan | 951,865 | +1,097 | 22,108 | +35 | 896,821 | 32,936 |
| 30 | Bangladesh | 872,935 | +6,058 | 13,868 | +81 | 794,783 | 64,284 |
| 31 | Portugal | 869,879 | +1,556 | 17,079 | +2 | 823,103 | 29,697 |
| 32 | Israel | 840,430 | +205 | 6,429 | +1 | 833,212 | 789 |
| 33 | Hungary | 807,844 | +69 | 29,972 | +1 | 736,854 | 41,018 |
| 34 | Japan | 789,440 | +1,779 | 14,553 | +57 | 756,293 | 18,594 |
| 35 | Jordan | 748,685 | +582 | 9,703 | +10 | 732,475 | 6,507 |
| 36 | Malaysia | 716,847 | +5,841 | 4,721 | +84 | 650,964 | 61,162 |
| 37 | Serbia | 716,096 | +80 | 7,019 | +6 | 706,549 | 2,528 |
| 38 | Switzerland | 702,398 | +120 | 10,878 | +2 | 679,259 | 12,261 |
| 39 | Austria | 649,922 | +77 | 10,697 | +11 | 636,923 | 2,302 |
| 40 | Nepal | 629,431 | +1,577 | 8,918 | +24 | 570,958 | 49,555 |
| 41 | UAE | 620,309 | +2,161 | 1,775 | +2 | 599,131 | 19,403 |
| 42 | Lebanon | 544,002 | +137 | 7,835 | +3 | 531,156 | 5,011 |
| 43 | Morocco | 528,180 | +484 | 9,265 | +11 | 515,030 | 3,885 |
| 44 | Saudi Arabia | 479,390 | +1,255 | 7,730 | +14 | 460,338 | 11,322 |
| 45 | Ecuador | 449,483 | +376 | 21,377 | +10 | 415,508 | 12,598 |
| 46 | Bolivia | 426,748 | +2,270 | 16,329 | +86 | 346,879 | 63,540 |
| 47 | Bulgaria | 421,401 | +62 | 18,022 | +9 | 393,948 | 9,431 |
| 48 | Greece | 419,909 | +454 | 12,604 | +15 | 402,047 | 5,258 |
| 49 | Paraguay | 413,457 | +1,842 | 12,086 | +113 | 354,697 | 46,674 |
| 50 | Kazakhstan | 413,267 | +1,496 | 4,268 | +7 | 388,171 | 20,828 |

# চেক রিপব্লিকতা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই কয়া শিহনখ্রে



প্রাগ, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

চেক রিপব্লিককী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা ঙসি অয়ুক অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিখিবা মশীং চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লোকেল ইমর্জেন্সি সার্ভিসকী ৱাঙঙেলোয় হেদভিকা রোপাকোভানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখিবগা লোয়ননা শিহনখ্রে হায়বা খঙলে। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অকক্লবা মশীং চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা শিহনখিবা মশীং ১০ য়ৌরমখিরোই হায়না পান্নরবসু য়ামদ্রবদা মীওই ১০০ হেন্না নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা শোকহল্লমগনি হায়না থাজনরি।

অমরোমদা হোস্পিটাল ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহনখিবা মীওই ২০০ হেন্না ট্রিটমেন্ট চথখ্রে। অশোকপা মী মখা তানা পুখৎলক্লি। অদুবু অশিবদি থেংনদ্রি হায়রি।

# অফ্রিকাদা কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভনা চৈথেং পীবা হৌখ্রে

জোহন্সবর্গ, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

অফ্রিকাদা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী প্রোসেস য়াম্না তপ্পা চথখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ গী অহুমশুবা ৱেভনা অমুক হন্না চৈথেং পীবা হৌরক্লে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা খ্বাইদগী হেন্না শোথনা লৈরি। অফ্রিকান নেসন অয়াম্বা ইকনমিগী ওইনা ফীভম ফত্তবনা মরম ওইরগা ভেক্সিনেসনগী থবক্তা খুমাং চাওশিনবা ঙমদ্রি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা অফ্রিকাদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু অফ্রিকাদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা আপীল তৌরক্লি।

ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলদা কোভিদ-১৯ না পীখিবা চৈথেং অদুগুম্না অফ্রিকাদা পীরক্লবদি মীওই মিল্লিয়ন কয়া শিহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। মখা তানা কোভিদ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেন্বদা মাঙহন্দ্রিঙৈদা মালেমগী লৈবাকশিংনা অফ্রিকাদা মতেং পাংবগী মতম ওইরে হায়রি। অফ্রিকাদা মহৌশাগী ওইবা থৌদোকশিংনা অকনবা চৈথেং পীখিবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা কোভিদ-১৯ পেন দমিক্লা অমুক হন্না চৈথেং পীখিবা অসিনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে হায়রি।

# হেলিকোপ্তর কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৩ শিরে

সেন্ট পিটর্সবর্গ, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

রুসিয়ন মিলিটরি হেলিকোপ্তর অমনা ত্রেনিং চথরিঙৈদা পোকখায়রপদগী হেলিকোপ্তর অদুদা তোংখিবা মীওই ৩ শিরে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হেলিকোপ্তর কায়বগী থৌদোক অদু হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা সেন্ট পিটর্সবর্গকী মনাকনক্লা থোকখিবনি। ঙরাং কায়খ্রবা এম আই-৮ হেলিকোপ্তর অদু রুসিয়ন নেস্নেল গার্দকীনি। হেলিকোপ্তর অদু ক্রু মেম্বর ৩ তোংদুনা ত্রেনিংগীদমক পাইখৎখিবনি। হেলিকোপ্তর অদু মতৌ করম্না কায়খিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি।

# শিখিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ: পুলিস

মিয়ামি, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী অঙনবদা মিয়ামিগী সমুদ্র খোঙবানদা লৈবা মথোল ১২ ৱাংবা বিল্ডিং অমগী শরুক খরা নিংখাইরকখিবা অদুদা মীওই অমা শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মীওই অমা খুদক্তা থৌদোক অদুদা শিহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা কয়া শিহনখ্রবগে হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। বিল্ডিং অদুদা লৈবা মীওই ৯৯ গী মতাংদসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি।

মীওই ৯৯ অদু বিল্ডিংগী অতেক অকাইশিংনা ননশিন্দুনা লৈরম্বা য়াই অদুবু মখোয়শিং অদুগী মনুংদা কয়া শিরমগদগে নৎত্রগা হিংলিবগে হায়বগী মতাংদদি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মিয়ামিদা লৈবা অর্জেন্টিনিয়ন অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না বিল্ডিং অদুদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং লৈ। মখোয়শিং অদু হিংলিব্রা নৎত্রগা শিখ্রবরা হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি। বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক অদু তম্বা ঙমদবা মওংদা খঙহৌদনা নিংখাইরকখিবনা মরম ওইরগা মনুংদা লৈবা মীওইশিং অদু মপানদা থোরকনবগী মতম ফংখিদে হায়রি।

মিয়ামি পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না বিল্ডিং নিংখাইখিবগী মফমশিং অদুদা ফয়র সার্ভিসশিংনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা বিল্ডিং অদুদা লৈবা মীওই ৫৩ দি রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

# ইজরেলদা লৈরিবা মীয়ামদা মাস্ক অমুক হন্না শীজিন্নবা ওথোরিটিনা খঙহনখ্রে

টেল অভিভ, জুন ২৫ (এজেন্সী) :

ইজরেলদা হৌখিবা নুমিৎ ১০ নি রোমগী মমাংদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামশিং ফেস মাস্ক শীজিন্নদ্রবসু য়ারগনি হায়না ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা দেলটা ভেরিয়েন্টকী কেস খঙহৌদনা শন্দোরকপদগী ইজরেলি হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা অমুক হন্না লৈবাক অদুগী মীয়ামদা ফেস মাস্ক শীজিন্নবা খঙহনখ্রে হায়রি।

মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকপদা খ্বাইদগী মাংজিন থানা চৎখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইজরেলসু অমনি। ইজরেলদা কোভিদ-১৯ গী কেস অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থখ্রবা মতুং ফেস মাস্ক উপত্রবসু য়ানবা অয়াবা পীখ্রবনি।

খঙহৌদনা অমুক হন্না ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা দেলটা ভেরিয়েন্টকী কেস খরা লৈবাক অসিদা থুনা য়াঙনা শন্দোরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা চরাংনবা পোকহনখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিনা লায়না লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবগীদমক মীয়াম্না অমুক হন্না ফেস মাস্ক উপনবা খঙহনখিবনি।



ইজরেলগী পেন্দমিক রেস্পোন্স টাক্স ফোর্সকী মকোক থোংবা নাসমন অসনা ফোঙদোকখিবদা ইজরেলদা ঙরাং দেলটা ভেরিয়েন্টকী অনৌবা কেস ১০০ থেংনখি। হায়রিবা মীওই ১০০ অদু ট্রেভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই ঙাক্তনি। মরম অদুনা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসি হান্না শন্দোরকখিবা কোরোনা ভাইরসকা য়েংনরুবদা কপাঙ্গল কা হেন্না কনবা অমদি মী শিহনবগী চাং হেনবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না অমুক্কা হেন্না কিনরি।

লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্টকী কেস মশীং হেনগৎলক্লবসু মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীশি মীনা থোকহনবগী পাউ লৈত্রি। ওথোরিটিগী মায়কৈদগীসু লাইচৎ অসিবু কন্ত্রোল তৌনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মরক অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা শেল্লিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা আপীল তৌরকখিবগা লোয়ননা মাস্ক উপ্পুনা লম্বীদা চৎলম্বা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রে হায়রি।